হুইয়েন লানপাউ

পাংশোই এ সীদা লৈবা কৈশাম বিরজিৎ হায় স্কুল (এইদেদ)কী চহী অসিগী ঐচ এস এল সী এগজামদা মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা এৱার্দ য়েন্থোকপা থৌরমগী শক্তম অমা

রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনস মণিপুরনা মতম অমদা পাউমী ওইনা থবক তৌরম্বা এস রিঙ্গোদা হিয়ারিং এইদ শীন্নবগী শক্তম

দি এস পি ট্রাফিক এন জি রত্নানা লুচিংবা টিম অমনা খুয়াথোং এল আই সী ওফিস মনাক্তা মারুটি ভেন অমা চেক তৌরুবদা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ওইরম্বদগী ফাগৎপগী শক্তম

ওল মণিপুর রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফ্যের এসোসিএ-সননা শীন্দুনা মণিপুর প্রাইভেট স্কুল (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ রিগ্যুলেসন) বিল-২০১৭গী খন্নবা

Vol. 41, Issue No.140 | নোংমাইজিং, থৱান ২১ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, August 13, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৫.৯৬

দীজল : লিটরদা লুপা ৫৫.৪৯

বেঙ্ক ছুটি ওইরোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ : লাক্লিবা ওগষ্ট ১৪ নিংথৌকাবা নুমিৎ কৃষ্ণ জন্মস্তমি ওইজরবসু মণিপুর য়াওনা ষ্টেট খরদা বেঙ্ক ছুটি ওইরোই, মহৌশাগুম নুমিৎ অসিদা বেঙ্কশিং হাংগনি হায়না মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি। অদুমকপু নুমিৎ অসি লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদদি বেঙ্কশিং ছুটি ওইগনি হায়না মাঙজৌননা লাউথোকখিবা লৈখ্রে।

এক্সিদেন্টতা ৮ শোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ : নেসনল হায়ৱে ৩৭ কী নোনে পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা অৱাংখুল এরিয়াদা জিরি পুলিসকী বোলেরো ইনভেদর (এম এন ১কে-৮২০৬) অমা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা লোক্তা ওন্থবদা মীওই ৮ লোম শোক্লে হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়, থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা থোকখিবনি। ৩৭শুবা আসাম রাইফলস কাঙবু অমনা এন এস সী এন (কে) গী কাদর ৪ ফারগা জিরি পুলিসতা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	২৮.৭৪ °C	২৫.৩৫ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	২৬.৮৪ °C	২২.৪২ °C
সেনাপতি	২২.৭৬ °C	২১.১০ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	১৭.৭৫ °C	১৬.৯৪ °C
মণিপুর	২৮.৭৪ °C	১৬.৯৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৯৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	75.840534
US Dollar	64.136204
British Pound	83.441951
Australian Dollar	50.650620
Chinese Yuan Renminbi	9.626891
Japanese Yen	0.587748
Malaysian Ringgit	14.922041
Norwegian Krone	8.086803
Singapore Dollar	47.150917
South Korean Won	0.056074
Swedish Krona	7.884029
Turkish Lira	18.125431
Myanmar Kyat	0.04716
Bangladesh Taka	0.79266

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 29764.71
Mumbai	–	Rs 30524.06
Delhi	–	Rs 30053.48
Kolkata	–	Rs 30427.81

HL POLL

Q : Haraothel da National Sports University saramdrabadi lamgi chayetnabagi wathok thokkadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meetei/Meitei bu scheduled tribe listta chalhannaba meeyamgi wakat asi mai pakkani khanbra?

Yes 72% No 28%

অস! লোইরেহে!

ঐবু লোয়বা লৈমাবা, ট্রান্সফর লৈঙাক্কী মপু’ও খুরুমজরি...!

ꯑꯩꯕꯨ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯃꯥꯕꯥ, ꯇ꯭ꯔꯥꯟꯁꯐꯔ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯃꯄꯨ’ꯑꯣ ꯈꯨꯔꯨꯝꯖꯔꯤ...!



হাই, হেনমন্দ্র নঙগীদো...!

ꯍꯥꯏ, ꯍꯦꯟꯃꯟꯗ꯭ꯔ ꯅꯉꯒꯤꯗꯣ...!

অথৌবশিংগী খূভমদা ইকায় খুম্নবা উৎকদৌরি

চীফ মিনিষ্টর পুলিস মেদল ফংগদবা পুলিস পার্সনেল ১০গী মিং লাউথোকখ্রে।

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : মরৈবাক্কী নিংতম্বা ঙাক্লনবা হোৎনবদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা হয়েং হৈকৎ-লৈকৎ তম্ননবা থৌরাং পুন্নমক শেম শাবা লোইখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম মণিপুর লৈঙাক্লা শীন্দুনা হয়েং নুংথিল বি টি পার্কতা লৈবা সহিদ মিনর মখোঙদা পাঙথোক্কনি। অয়ূক্তনা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা লৈবাক নীংবগী য়াকাইরোল শক্তুনা পাউজেল পুবা খোঙচৎ চৎকদৌরি। মোইরাংখোমদা লৈবা হিচম য়াইচম্পাৎতা লৈবা বির টিকেন্দ্রজিৎকী মঙফমদা অমসুং পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থাঙ্গাল জেনরেলগী লাইশঙদসু চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তম্নবা থৌরাং লোইখ্রে।

মরক অসিদা, মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মরৈবাক নীংবা নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে। মহাক্কী য়াইফ পাউজেলগী চেরোল অসিনা হায়, পেত্রিওটস দেনা লাকপদা মমা লৈবাক্কীদমক থৱাই কথোকখ্রবা অথৌবা বির টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল, চিরাই নাগা, পুখ্রম্ব কাজাউ, নিরঞ্জন সুবেদার অমদি অতৈ থৌনা ফবা কয়াবু নীংশিংহল্লি। অথৌবশিং অসিনা বৃটিশকী মায়োক্তা লান্থেংনখি। অসিগুম্বা হিষ্টরিক ওইবা নুমিৎ অসিনা ঐখোয়দা পুন্না হিংমিন্নদ্রবা অমদি থবক তৌমিন্নদ্রবদি অমাঙবা লৈ হায়বসি নীংশিংহল্লি। পেত্রিওটস দেনা লাকপগা লোয়ননা কাঙলুপ, লাইনিং লাইশোনগী খেন্নবা লৈতনা ইন্টিগ্রিটিদা শীংনরকপশিংগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি। পেত্রিওটস দেগী থৌরম অসি ষ্টেট অসিদা অমদি ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, আই জি এ আর সাউথ মেজর জেনরল বিরেন্দ্র সিংহ ভি এস এম অমদি অসাম রাইফলসকী তোঙান তোঙানবা রেঙ্কতা লৈরিবশিংনা পেত্রিওটস দেনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। আই জি আর সাউথকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বির টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলনা কুমজা ১৮৯১ গী ওগষ্ট ১৩ দা থৱায় কথোকখিবা অদু নীংশিংদুনা পেত্রিওটস দে পাঙথোক্লরি। আই জি আর সাউথ অমদি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

‘পুয়াশিং ইংলিসতা হন্দোক্লবা কম্মিটি শেম্লগনি’

কলচরেল য়ুনিভর্সিটিনা নাৎ য়োকখৎপদা থৌদাং লৌরগনি: গভর্ণর



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী পুয়াশিং ইংলিস লোলদা হন্দোক্তুনা ফোঙনবা কম্মিটি শেম্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খি, নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী মনুংদা কলচরগী য়ুনিভর্সিটি লীংখৎপা অসি মণিপুরনা অহানবনি। কলচরগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইরবা লমদম অসিদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা লীংখৎপা অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী কলচরবু মশক খঙবীরি। স্পোর্টসকী লমদসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শকখঙ-বীবগা লোয়ননা মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবা অয়াবা পীরকখিবনি। লমদম অসিগী স্পোর্টসকী লমদা শক্লাইরবা মীওই কয়া অমা লৈরি। কলচরগী লমদসু শীংথানিংঙাই ওইরবা মীওই কয়া লমদম অসিদা লৈরি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা ঙসি লমদম অসিগী কলচর অমদি স্পোর্টসকী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা মমীং চৎলিবনি।

মণিপুরগী পুয়াশিং ইংলিসতা হন্দোক্তুনা ফোঙনবা মীৎয়েং চঙলি। ইংলিসতা হন্দোক্কদৌরিবা অসিগী-দমক কম্মিটি অমা শেম্লগনি। পুয়াশিং ইংলিসতা পুথোক্তুনা লমদম অসিগী ৱাংলবা শক্তম কয়া অদু মপান লমশিংদসু খঙহনবা তঙায়ফদে। পুয়াগী কোপী কয়া ইংলিসতা হন্দোক্লগা পুথোক্লবা মীৎয়েং চঙলি।

ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা য়াম্না মনুং মপান ফাওনা মীয়ামগীদমক থবক তৌনবা অখন্নবা মীৎয়েংশিং চঙলি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লী মীফমসু লাইব টেলিকাষ্ট তৌদুনা মীয়ামদা উহনখিবনি। এসেমব্লীদা খন্ন-নৈনরিবশিং অসি মীয়ামগীদমক্তনি। অসিগুম্বা কয়া অসি মীয়ামদা নীংথিনা উহন্নবগীদমক লাইব টেলিকাষ্ট তৌরিবনি। লৈঙাক লৈরিবসি মীয়াম্বু নুংঙাইহন্নবা অমদি য়াইফবা পুরক্কবনি। মীয়াম্বু নুংঙাইহনবা পুরকপা ঙম্বা অদু অফবা লৈঙাক কৌই। চীং অমদি তম থোং মান্ননা চাউখৎপা পুরক্কবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক চীং অমদি তমগী মীয়ামগী মরক্তা থাজবা কয়া থম্নরক্লি।

শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। দিপার্টমেন্টশিংদা চঙবদা মোবাইল ফোন পুশিনবা য়ারে। করিগুম্বা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা থবক অমা থেংনবা মতমদা কনাগুম্বশিংনা মোবাইল ফোনদা রেকোর্দ তৌদুনা অদুমক থারকপা য়ারগনি। অসিগুম্বা কয়া পায়খৎলক্লিবা অসি লমদম অসিদা শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈঙাক পুরক্কবা মায়কৈদা চঙশিল্লক্লিবনি। মীয়ামগী অৱাবা উবা ঙম্বা অমদি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থবক তৌবা ঙম্বা তঙায়ফদে। লৈঙাক অসিনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি নীংথিনা খঙনবা অমদি পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। লৈঙাক অসি লাকপা মতম কুইদ্রি। অদুবু তেল্লবা মতম খরা অসিদা মীয়ামগী অঙম্বা থাক্তা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লিহায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা হায়খি, মণিপুর কলচরগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লমদম অমনি। কলচরনা মণিপুরগী মশক অসি তাক্লিবনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর লীংখৎলকপা অসিনা নাৎ য়োকখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌরগনি। কলচরেল ইন্টিগ্রেসন অমদি কম্যুনেল হার্মোনি হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মণিপুরী দান্সনা লমদম অসিবু মালেমগী মফম কয়াদা খঙহল্লি। লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংনা কলচরগী ওইবা শো কয়া মপান লৈবাক কয়াদা উৎপসু লৈখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী অৱাৎ অপা কয়া লৈরি। অৱাৎ অপাশিং অসি মেনখৎনবা করি তৌবা য়াবগে ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

কোরকোম য়াওনা লূপ মরিনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ : ইন্দিয়ানা নিংতমখিবগী কুমওন থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা ওগষ্ট ১৫ দা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (কোরকোম) য়াওনা অৱাং-নোংপোক্কী লালহৌলূপ ৪ না জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে।

কোরকোম, গারো নেসনল লিবরেসন আর্মি (জি এন এল এ), য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (উল্ফা) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস লিবরেসন আর্মি (য়ু পি এল এ)না পূন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱেসিয়া রিজনদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা ওগষ্ট ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে বোইকোট তৌবগা লোয়ননা থৌরম অসি মওং অমত্তদা নমদুনা পাঙথোকহন্দনবা হোৎনবীয়ু। ওগষ্ট ১৪গী নোংয়াই মতুং পুং ১ দগীনা নুংথিল পুং ৬.৩০ ফাওবা ৱেসিয়া রিজনগী মফম পুন্নমক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা মালেমগা মায়-মায় ওনশিন্নদুনা মায়োক্লবা ঙম্লে হায়না চাওথোকচরিবা ইন্দিয়ানা মিলিটরিগী মতিক ময়াই অমসুং খূৎলায়শিং উৎতুনা ৭০শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শারি। হৌখিবা জুলাই ৩০ দা পাঙথোকখিবা চাইনিজ পি এল এগী ৯০শুবা কুমওন থৌরমবু নমহৎনবগী পান্দমদা হন্দক্কী থৌরম অসি পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা য়াই, ...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

পিপলস ৱার গ্রুপনা পব্লিক কর্ফিয়ু তৌগনি লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ : লাক্লিবা ওগষ্ট ১৫ দা পাঙথোক্কদবা লৈবাক অসিগী ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম বোইকোট তৌবগা লোয়ননা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা মণিপুরগী মফম পুন্নমক্তা পব্লিক কর্ফিয়ু থমগনি হায়না কেসিপি-পীপল’স ৱার গ্রুপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লূপ অসিগী সেন্ট্রেল মিদিয়া কো-ওর্দিনেটরগী সেক্রেটরি কমরেদ লেনিন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈপাক্তা ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স ডেগা মরী লৈননা করিগুম্বা মখল অমৎতগী থৌরম পাঙথোকপীগনু। অদুম ওইনমক হায়রিবা পব্লিক কর্ফিয়ুগী পৃংফম অসিদা অনা-অয়েক, ফায়র সর্ভিস, ৱাটর সপ্লাই, রিচ্যুএল সর্ভিস, ইলেক্ট্রিসিটি, প্রিন্ট এণ্ড ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানচিংবা খুদিংমক কোমথোক্কনি।

করি মরমগীদমক কেসিপি-পীপল’স ৱার গ্রুপনা ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স ডে সেলেব্রেসন থিংলিবনো হায়বগী মতাংদা পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অসি পোক্ত্রিঙৈদা বৃটিশ ক্রাউননা অয়াবা পীরগা লাকখিবা ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনি কৌবা লল্লোনবা কাঙবু অমা সেভেনতিন্থ সেঞ্চুরিগী অঙনবা শরুক্তা সুরটতা চঙশিল্লক্লগা মুঘল এম্পেরর জহাঙ্গিরগা ইনখিবা য়ান-চেরোল অমগী মতুংইন্না সুরটতা ফেক্টরি হাংদুনা লল্লোন-ইতিক তৌবা হৌখি। ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

এম এফ এলগী মপোক কুমওনগী পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ : কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লান্মী শঙলূপ *মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী* (এম এফ এল)গী ১৩শুবা মপোক কুমওন নুমিৎনা লাকপদা লূপ অসিগী মিলিটরি এফেয়র্স কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ লাবনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্লা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ২০১৭ কী ওগষ্ট ১৩, নোংমাইজিং নুমিৎ অসি এম এফ এলগী ১৩শুবা মপোক নুমিৎনি। কুমজা ১৮৯১ দা কংলৈপাক / মণিপুরগী নিংতম্বা ঙাক্লবা বৃটিশকা শোক্লখিবা লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎসু তারি। নুমিৎ অসিদা কে সী পি/এম এফ এলগী মহুৎ শীন্দুনা ৱেসিয়াগী মীয়াম অমদি ৱেসিয়া লমদমগী য়াওল লান্থেং চঙশিন-মিন্নরিবা য়াওল্লূপ পুন্নমক্কী মফমদা চহীগী য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

চহী ৫/১০ গী মনুংসিদা ঐখোয় ৱেসিয়া লমদমসিগী মরু ওইখ্রবা য়াওলগী লুচিংবা কয়া পূন্সি চেংজেল লোইরদুনা তাইবং থাদোক্তুনা চৎনখিবা য়াওরক্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কনাগুম্বা লুচিংবা অমনা অহল ওইরকপদগী মহাক্লা পুরম্বা য়াওলগী থবক্তগী পোত্থাখিবা অমদি মহাক্লা য়াওলদা কল্লম্বা মফম থাদোক্তুনা চৎখিবা হায়বসি থিংবা ঙম্লোইদবা তাইবংগী খোঙচৎনি। লোয়ননা অরিবগী মফম অনৌবনা শিলহৌবা হায়বসিসু শোইফদ্রবা মহৌশাগী লিচৎনি। ...*মখা লামায় ৫ কলম৬*

হান্নগী মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোগী মচা দিল্লিদা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোগী মচানুপা অহল এম সিদার্থ (২০) ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা ন্যু দিল্লিগী হোজ খাস ভিলেজদা লৈবা মথোল অনী ৱাংবা য়ুমদগী তাদুনা লৈখিদ্রে। পাউ অসিনা মখা তানা হায়, থৌদোক অসি হোজ খাসকী বিল্ডিং নম্বর ২৮গী অনীশুবা ফ্লোরদা থোকখিবনি। কমদৌনা মহাক মথোল অনী ৱাংবা য়ুমদুদগী লৈমায়দা তারক্লগা লৈখিদবনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা মীশি অসিগী মতাংদা অকুপ্পা লংলা-লংজিন পুথোক্লনবা মনাক অদুৱাইদা খিনবা সী সী টি ভি কেমেরাশিংগী ফূটেজশিং খোমগৎখ্রে। পনবা য়াবদি, এম সিদার্থ মহৈ-মশিন তম্বদা চঙখোনবা মহৈরোয় অমনি। ক্লাস টুয়েল্ভ এগজাম লোইদুনা বি এ ফার্ষ্ট ইয়র কাননবগী-দমক কোলেজ অমদা মিং চল্লগা লৈরিবনি হায়রি।

মফম ২দা বোম পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : মোরে অমদি ম্যান্মারগা লোন্নবা বোর্দর পিল্লর ৭৮ মনাক অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা ৱাংজিং তেকচম লৈকায় পুখ্রি অচৌবা মনাক্কী ঈশিং য়োকফম টেঙ্কি মখোঙদা শকখঙদবশিংনা হান্না প্লান্ট তৌদুনা থম্লম্বা আই ঈ দি অমা পোকখায়হল্লম্লে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৫০ রোম তাবদা ৱাংজিং তেকচম লৈকায় পুখ্রি অচৌবা মনাক্কী ঈশিং য়োকফম টেঙ্কি মখোঙদা শকখঙদবশিংনা হান্না প্লান্ট তৌদুনা থম্লম্বা আই ঈ দি অমা পোকখায়হনখ্রে। বোম পোকখায়খিবা অদুদা মীদি অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদে হায়রি।

পনবা য়াবদি বোম পোকখায়রিবা মফম অসিদগী মিটর ৭০ লোম চৎলগা ৫৪শুবা বি এস এফকী বাট্টালিয়ন বি কোই কম্পেনি অমা লৈ। বোম অদু বি এস এফ পার্সনেলশিংদা টার্গেট তৌবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

মরকসিদা, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোরে অমদি ম্যান্মারগা লোনবা বোর্দর পিল্লর ৭৮ গী মনাক্তা ঙসি অয়ুক পুং ৫.২০ লোম তাবদা শকখঙদবশিংনা ইম্প্রোভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আই ঈ দি) অমা পোকখায়হনখ্রে। মোরেদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না আই ঈ দি পোকখায়খিবা মফম অদু মোরেদা লৈবা সনরাইজ ক্লব গ্রাউন্দগী মায়োক্লবদা মিটর ২০ লোম ম্যান্মাররোমদা চঙলগা মী তাদবা অশোংবা মোংশোং অমদা পোকখায়খিবনি হায়রি। বোম অদু পোকখায়বা মতমদা অশোক-অপন য়াওখিদে হায়রি।

পাফল য়েকপা ফিরাল হয়েং চিংখৎকনি : সিরকা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : বৃটিশনা মণিপুরগী মীয়ামদা নিংতম্বা শীন্নরম্বা কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ১৪ নীংশিংবা ওইনা থা অসিগী ১৪ দা মালেম পুবা পাফল য়েকপা ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না কোলিএসন ফোর ইন্দিজিনস রাইটস কেম্প্যেন (সিরকা)না ফোঙদোকখ্রে।

সিরকাগী কনভিনর সোমোরেন্দ্রো থোকচোমনা হায়খি, বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্লমদাইদা পীরম্বা, মণিপুরগী নিংতম্বা কুমজা ১৯৪৭, ওগষ্ট ১৪ দা ফংখিবা, ৭১শুবা চহীগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকপা হায়বসি হৌজিক্তি হেন্না মরু ওইরক্লে। মরমদি চীং অমসুং তম অনীনা পুনশিন্দুনা শেম্বা, মণিপুর মশাগী তোপ তোপ্পা পুৱারী লৈজরক্লবা লমদম অমনি। মরক-মরক্কী ওইনা মপানগী শাফু কয়ানা য়ৈখায়বা পীরবসু, মণিপুর নিংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইদুনা মশাগী ঙমখৈ ঙাক্তুনা থম্বা ঙল্লম্মী।

ঙসিগী লাকশিনবা ঙমদ্রবা অচৌবা ৱাথোক লাম্থোকশিং থোরক্লিবা কয়া অসিগী অশুপ্পা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী তঙাইফদবা লৈরি। অদুনা মাঙলমচৎকী পুৱারী মশক মুন্না খঙমিন্নবা চঙই। মাঙলমচৎকা হকথেংনবা হায়বসি ঙসিগী মীরোলসিনা হৌজিক্কী ফীভমবু লাকশিনবগা লোয়ননা তুংলমচৎকী মশক লেপ্তুনা লৈহৌনবগীদমক্তা কাউফদ্রবা ইথৌদাং ওইরক্লি। থোরক্লিবা ৱাথোক খূদিংমক মাঙলমচৎতগী হৌরকফম ওইবনা পুৱারীগী মীৎয়েংদদি ঙসিগী মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী ফীভম অসি মশক খঙবা চঙই। পুৱারী য়াওদ্রবা ফুরুপ নৎত্রগা লৈবাক অমগী তুংলমচৎ লৈতে, কাঞ্জুল মুৎখিবা তাবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিদি পুৱারী মশামক মুক্লবগী অমদি হিদান্নবগী মফম ওইরক্লে। ফুরুপ কয়া মশা-মশাগী লৈঙাক ঈহৌশিংদা চুমহন্নবা মশা-মশাগী পুৱারী ইবা অমসুং লেংবা হৌরক্লে। মসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইদা ফুরুপকী মীচং খোম্নদুনা কাঙলুপ নাইবা খুন্নাই ওইহন্নবা হোৎনরকপা লেপ্পা লৈত্রি। লৈবাক অমসুং লৈঙাক্কী শক্লোন অমা ওইরিবা মণিপুরগী পুৱারী মখা তানা লৈখিগদ্রা হায়বগী ৱাফমদা শীংনরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ফীভম অসিনা মাঙলমচৎপু নৌহৌননা হকথেংনদুনা মণিপুরগী পুৱারীবু অচুম্বা লিক্লম অমদা থম্বগী তঙাইফদবা লৈহল্লি। ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈগী মতমদা নিংতম্না লৈরম্বা লৈবাক অমনি হায়বসি ঙসি য়েৎনরিবশিংগী মীয়ামদা নৌহৌননা নিংশিংবগী তঙাইফদবা মতম অদু লাক্লে। নিংতম নুমিৎপু কাউথোকপদা মাঙজবতা ...*মখা লামায় ৩ কলম২*

ট্রাফিক পুলিসনা লাখ অনীগী হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ট্রাফিক পুলিসকী দি এস পি, এন জি রত্নানা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা খুয়াথোং এল আই সী ওফিস মনাক্তা লম্বীদা মারুটি ভেন অমা খামদুনা চেক তৌরুবদা লুপা লাখ ২ রোমগী মমল ওইগদবা জর্দা, খৈনি অমদি অতৈ হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে। ফাগৎখ্রবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু ট্রাফিক পুলিসনা সিটি পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

HL-P/2217/20/7-20/8

LOAN AVAILABLE

মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

ADMISSION IS GOING ON
for Satya Group of Institutions
Hamari Beti Hamari Shaan
Scholarship Scheme - 100% free
Technical Education for 100 girls every year
INTERNATIONAL PLACEMENTS
& many more...
NATIONAL PLACEMENTS
& many more...
Note: Final round of counselling is scheduled from 5th to 10th August 2017
Courses
B.TECH (CE, ME, ECE, EEE,CSE) | M.TECH (ME, CSE, ECE)
MBA | BBA | DIPLOMA (ME, CE)
Ranked as INDIA's 2nd BEST Upcoming Engineering College by EFY
Features:
Academic Performance:
* University 'Rank 01' from SCET
* District Topper from SCET
* SGI students in University Top 50 Ranks
* Skill Development Programme by Leading Corporate
* Faculty from IITs, IIMs, NITs, DTU and prestigious Institutes
FORTHWITH GLOBAL CONSULTING PVT. LTD.
(Under the Ministry of Corporate Affairs, Govt of India)
Mobile: 9862283509 7005000427
☎ 0385 - 2423239
G2, 3 Star Palace, Kekrupat, Opp. June 18 Crematorium, North AOC, Imphal
Campus: 72 KM Stone, NH-2, Delhi Mathura Road, Distt. Palwal, Haryana, (Delhi/NCR)
HL-B/4059/06/08-15/08